## এডিটোরিয়েল

### নুপী কৈথেলগী ৱাথোক

হন্দক য়ুহার হাখিবা অদুগী মতুং তারকপদা ইমা কৈথেল অনীগী ফীভম শোকচিল্লে হায়না লৌখিবা অদুগী মতুং তারকপদা ইমা কৈথেল অনী অসি খুদক্তা কিন্থরগদবা কৈথেল ওইনা উরিবসি ইমাশিংলা নৎত্রগা মসিবু শাখিবা মীওইশিংলা নৎত্রগনা সরকারগী মরী লৈনবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোনলা হায়বসি মীয়াম্না ঙসি হংলিবা ৱাফম অমনি। মসি ইনৎ–নত্তবদা ওপোজিসনদা লৈবা পার্টিশিংনা রাজনিতিগী খুদোং চাবা লৌনবা চত্থবা থৌশিল্লা হায়বসিসু খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ গী ৱাহং জয়কিষননা মীয়ামগী য়েংলগা ফোঙদোরকপা ৱাফম অদুসু লানবা নত্তে, অদুবু ৱাফমগী ৱাফোঙদোক অদুদি মীয়াম্না লান্না লৌনিংঙাই ওই। মমাঙদা পাউ –চে অসিনা করিগুম্বা অতেক – অকাই নঙখ্রবা ইমা কৈথেল অনীগী পোৎফম ফন্নিবীশিংনা মখোয়গী নোংমগী শেম্বোক লম্বী অদু লৈত্রগদি তোঙান–তোঙানবা খোঙজং কয়া চংশিল্লকপা য়াই হায়বসি সরকারগী মীৎ–নাকোং ওইনবা নাকোয়ননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মদুদা মরম চাবা মফম য়েংলগা ইমা কৈথেল অনীগী ভেন্দররশিং অসি মতম খরগী ওইনা হোংদোকহনবগী তঙাইফদবা লাক্কনি হায়বসি মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রবনি। থাঙ্গাল কৈথেলদা খুদোং থিনিঙাই ওইবা বিল্ডিং কয়া অমা হন্দক্কী য়ুহার মতুংদা লৈরম্বা য়াই হায়বসি সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা থিদোক্তুনা খঙলব্রা নৎত্রগনা পূম্নমক অসি নিংখাইররোইদবা চেৎনা শাখ্রবা বিল্ডিংশিংলা হায়বসি খন্দোকপা লোয়রবরা হায়বসিমসু হংফম থোকই অমসুং সরকারনসু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই। মদু ওইবা তারগদি থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈরিবা লম্বীদা ইমাশিংনা মখোয়গী ভেন্দরশিং হাংবা হায়বসি খুদোং থিনিঙাই ওইগনি। মদুমক্তি লোকেল এম এল এ না হায়খিদে হায়না খল্লি। অদুমকপু মরী লৈননা ইমাশিংগী অৱাবা উরগা শেমগৎপা য়াবা কৈথেলগী শরুক্তি মেক–সিফ মার্কেটকী মনুংদা লৈরিবা পার্কিং এরিয়া অমসুং ফেমিলি ৱেলফিয়ার লাইনগী মমাঙদা হাও কৈথেল হায়রগা খঙনরম্বা মফমশিং অসি ওইগদ্রা হায়বসি নৈনহন্নিংবনি। হায়রিবা মফমশিং অসি সরকারদা শেল কাবা নৎত্রগা কাদবা থিদনা পার্কিং এরিয়া ওইনা লৈবা মফম অমনি। পার্কিং এরিয়া অসিদি অতোপ্পা অনকপা মফম অমদা লৈহন্নবা শিনবা য়াই। মসিগী মথক্তা ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী ওফিস অসিগী চংফম অসি ওল্ড এসেমব্লি রোডলোমদগী চংহনবা তারগদি অতে লৈরিবা ওফিসশিং অমদি বেঙ্কশিংগা লোয়ননা কারবার লোয়শঙ পূম্নমক্কী কান্নবা লম্বী অমা শোয়দনা ওইগদ্রা হায়বসিসু খন্নবা য়াবা অমা ওইগনি। করিসু কান্নদবদা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবদা নৎত্রগা লৌনবা হোৎনবদা ইমা কৈথেলগী ফম্ফম পীনবগী মতাংদা অঙম তান্নবসি অশিংবা রাজনিতি তৌবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোন ওইগনি নীংদে। নোংমগী শেন্দোং তাল্লগা য়ুম পুজরিবা ইমাশিংগী খল্লগা কৈথেল পোৎফম্না মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া থোহন্বনা থেংনরিবা ইমাশিংগী প্রোব্লেম অসি পোলিটিকেল প্রোব্লেম ওইহন্দবা চুমগনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ট্রাইবেল ওনবা নত্তে হঞ্জিনহনবনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*মমাংঙৈগী মতমদা মৈতৈশিং ট্রাইবেলশিংগা মান্নবা পুন্সি মহিংদা হিংলকই হায়বগী খুদমশিং হৌজিকসু মাংদরি। পূম্নমক কাউথোল্লুগা মতমদুগী হীরো ওইখিবা শান্তদাস গোষাইগী মাং তাক্লবগী লাইৱাশিং থাদোকপা ঙমদবা কয়ানা লুচিংপুরেল ওইখিবদগী খুদমশিং অদু মাঙখিবনি। সি এম ওইবিরিবশিংনা শক্তিশিং শীজন্নখিবগী খুদমশিং এম কোইরেংগী মতম হৌজিক্তা ইকায় খুম্নরিবা ও ইবোবীগী মতমসি নীংশিংবা চুমই। মখোয় মখোয়না মশাগী লৈঙাক মতমদা মমাংঙৈগী শক্তমশিংবু তুংগী শুরোলশিংদা কাউদনবা স্কুলশিংদা তমহন্নবগী সিলেবসশিংদা য়াওহন্নবা থৌরাংশিং পুথোক্লমদবনা ঙসিদি য়েল্হৌমী কনানো থিবগী লানফম অমদা লৈহল্লে। এডুকেসন মন্ত্রি ঙাংবদা হৈবা খুৎ–কোক য়াম্না ৱাৎপা ওইবনা ক্বালিটি এডুকেসন হায়না লাউদুনা লৈবনদি মৈতৈগী চৎনবী পুথোকপা ঙম্লোই। হোম মিনিষ্টরনা ঙসিফাওবা নুপী অঙাংদা চত্থরক্লিবা ক্রাইমশিং কোকহনবা ঙমদরিবা অসি নুপী অঙাংশিংগী ওইরিবা ফিভম খন্থদবদগীনি। মীতৈ জাতিগী হৈনজবী হায়ববু জাতি মশেল মুকখাইনবা, অকনবা তান্নবা, ৱেক আর্ট শীজন্নদুনা মী মাংহন্নবা হোৎনবা, মাইবা মাইবীশিংনসু মদুদা থৱায় য়াওশিনবা অসিনি। হৌজিক মীতৈনা ট্রাইবতা হঞ্জিন্বা হায়বসিদা করিমত্তা ইজ্জৎ শোক্লদবা ৱাফম অমত্তা লৈরোই। কনাগুম্বা মীগী অৱাইবা ধর্ম্মদা থৱায় লুপ্পুবশিংনা মশাবু মপানগী ধর্ম্মগী লুচিংবশিংগী চাদা–নাওদাগুম ৱাংনা থাঙ্গৎলুবা কয়ানা হৌরকপদগী লানখিবদুনা হৌজিকসু লান্না খল্লিবনি। ইমুং অমদা মচিন–মনাও লৈমিন্নরকপদা খেন্নবা চাওনা লৈরিবদুমক্লি ঐখোয়দনা মীতৈ হায়রগা অতোপ্পনা ট্রাইব (হাও) হায়না কৌনখিবগী ৱারীশিং। হৌজিক লোই হায়রিবা অসি মফম অমগী মীতৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা নিংথৌনি। ইম্বোক্লমখিবশিংগী ৱারী খঙদবা কাঙবুখক্তনা মৈতৈবু ট্রাইব ওইনা হঞ্জিনবদা ইকায়বা পোকশিন্নরিবনি। মসিসু কংলৈপাকসিগী মীয়াম্না না–পু তাদনা হিংলম্বদগী ঙসিসু চয়েৎনদুনা লাক্লিবনি। ঐখোয় হান্নদগী চৎনরক্লবা ইপা ইপু কয়ানা চৎলম্বদুদা হঞ্জিন্দুনা অচুম্বা লীচৎ চৎমিন্নদুনা ইফুরুপ অসি কনমিন্নরসি। মসিদা নুপী ঐখোয়সু চেন চোংদুনা অচৌবা মীয়ামগী রেল্লি অমা পাঙথোক্তুনা অচুম্বা শক্তমশিং খঙমিন্নবা পামজে। ট্রাইব হায়রগা হেক্তা হন্থবা থাক্তা অর্থ হন্দোক্লিবা মপা মপু ঈ শেংদবগী চাদ–নাওদাশিংগীতা য়েংদুনা লৈরবদি ঐখোয় মুৎখ্রগনি। হৌজিক্তি মীতৈশিংদগী ট্রাইব পূম্নমক্লা হীরম খুদিংদা লোইনা হেল্লিবনি হায়বসি ঙক্লা থোকপীনু। ঐখোয়দা ৱাৎলিবদি পুনশিনবা হৈতবা, চৎনবীশিং ঙাকপা ঙমদবা, অউ অউবতা পাম্বা, ঐখোয় মশেল নুংশিনবা হৈতবা অদুনি। ট্রাইবশিংদি মদু লোয়না ঙমই। মখোয় পূম্নমক লীংজেল মান্নবদগী শক্তি কয়া লোইনরক্লিবনি। ঐখোয়দি মশেল মনুংদা কনবা হেনবা তান্নদুনা মাংনবগী মশক ওইহৌরগা মীগী অৱাইবা ধর্ম্মশিংদা লুপশিনবদা থৱায় য়াওজবনি। হৌজিক ইবুংশিংনা ট্রাইবতা হঞ্জিন্নবগী থৌরাং থোরক্লগনি। হৌজিক ট্রাইব হঞ্জিনবা পামদবশিং খন্দোক্লা মখোয়দু য়েল্হৌমী অশাবনি খঙনা অপাম্বশিং হঞ্জিনহৌনবা হোৎনরসি। মসিদা সি এম মশামকসু থৱায় য়াওনা হঞ্জিন্নবা হোৎনবীগদবনি। মরমদি লমদমসিদা মীতৈগী ঈ অশেংবসি লোয় কাঙলুপশিংদা লৈ। মথৌনা লৈনা নিংথৌ চৈরাক কীদমখে হীংবা ঙমলকখিবগী খুবমদুদা পূম্নমক চংহনবা হায়বসি সি এম গীদি স্বর্গ খুৎনা পায়বগুম্বনি থাজবীয়ু।*

***অদোমগী***
***আরকে মনিস্না দেবী***
***নিউ চেক্কোন অৱাং, ইম্ফাল***

# ভক্তিযোগগী মরমদা স্বামী বিবেকানন্দনা পীবা ভাষন # ৯

নহাক মী অমনি, সংসারসিদা লৈরিবা সংসার অমনি নহাক। নহাক্কী অহল–লমন্না থোনবীবা মীং অমা লৈ, জোন কৌগেরা জেমস কৌগেরা, নঙগী য়ুম্নাক শাগৈগী কম্মন ওইবা মীং অমগা পুন্না শীজিন্নৈ। অদুগুম্বা নহাকপু শক্তাক্লিবা মীং অদুগী মরুমদা অমসুং নঙগী তোঙানবা শকওং–শাদা অদুগী মরুমদা নঙগী ওইনা ৱাখল তোঙানবা খরা লৈ। মওং অদুম্না, পাকচাওরবা সংসারসিগী মরুমদা মীং অমা লৈ মদুদি ৱাহয়না শেম্বনি, হায়বদি ৱাহয়নি। ৱাহয়দুগী তুংদা ঈশ্বর লৈ। অসিগুম্বা বিশ্ব–জগতকী ওইবা ৱাখল্লোন অসিবু সাংখ্য দর্শন্না 'মহত' হায়না কৌই। মহত হায়বদি বিশ্বজগতকী নৎত্রগা সংসারগী ওইবা খঙবা ঙম্বগী বুদ্ধি (Universal Consciousness) হায়বনি। সংসারসিদা লৈরিবা মচাকশিংসে ইমান–মান্নবা ঙাক্তনি। অনৌবা মতমগী বিজ্ঞান্না (Modern Science না)সংসারদা লৈরিবা এটোমশিংসে বিশ্ববু শেম্বদা চঙলিবা মচাকশিংদু য়াউবনি অদুনা, অমগা অমগা ইমান–মান্নৈ। নঙনা লৈপাক মতুম অমা লৌখত্তুনা মদুবু চাংয়েং তৌদুনা করি করি য়াউরি হায়বদু খঙলবদি নঙনা বিশ্বজগতপুসু খঙগনি।

Man is the most intelligent representative in this universe the microcosm, a small universe in himself, So in man we find there is the form behind that the name and behind that the thought, the thinking being. So this universe must be on exactly the same plan.[মীওইবা হায়বসি বিশ্বজগতসিদা খ্বাইদগী হৈ–শিংবা মীহুৎনি (জগতসিগী মীহুৎনি) য়াম্না পিকখ্রবা বিশ্বজগত অমা মশামক্লা ওইরিবনি। হায়রিবা মওংসিগী মতুঙইন্না মীওইবগী শকওং শক্তম লৈ মদুগী তুংদা মীং লৈ, অদুগা মদুগী তুংদা, ৱাখল হায়বদু লৈ, অশুম্না মী হায়বসি ৱাখল খনবা জীবনি। মতৌসিগা মান্নবা বিশ্বজগতসিসু শেমখিবা ওইগনি।] মতাংঙসিদা ৱাহং অমা থোরকই, বিশ্বজগতকী হৌরকফম ওইরিবা ৱাহয় (নৎত্রগা মীং) অমা লৈরবদি মদু করিনো? হিন্দুশিংনা ৱাহয়দু ওঁ হায়রিবসিনি হায়। ৱাফমসি মমাঙঙৈগী ইজিপ্তা লৈরম্বা জাতিশিংদুনসু থাজে হায়। কথা–উপনিষদনা হায়, "মদুতবু থিবদা মী অদুনা য়ুমকৈ পানবগী লীচৎ থাদোক্লবা (ব্রহ্মচর্য্য চৎলবা) অদুগুম্বা পোৎশক্তু ওঁ হায়বসিনি, মসিদি ব্রহ্মন হায়বদুনি মাঙবা নায়দ্রবা মচেৎমকায় তাবা য়াদ্রবা মহাক্তুনি। ওঁ হায়বসিনা বিশ্বজগত পূম্নমকপু খঙনৈ নৎত্রগা ঈশ্বর মশামকপু খঙনৈ। মপাম্বোংগী মীৎনা উবা অমসুং শোকপা য়াবা পোৎলম ময়াম লৈরিবা অসিগা ঈশ্বর হায়বদুগা অনীগী মরক্তা ওঁ লৈ, মসিনা নাকল অনীমক্কী মহুৎশিল্লি। বিশ্বজগত অসি ঐখোয়না শরুক মচেৎ মচেৎ খায়দোক্তুনা য়েংবা য়াই, মপুম মশামক্তুদি ঐখোয়না উবা ঙমদবনিনা। ঐখোয়গী ইন্দ্রিয়শিং শীজিন্নদুনা খঙনবা হোৎনবা য়াই মীৎনা মশক উবা, খুৎনা পোৎশক্তু পায়বা, নাকোংনা মখোয় তাবা য়াবা তাবা, অসিনচিংবা মওংদা খঙনবা হোৎনরি। অশুম্না মথঙ মথঙ খঙনবা হোৎনরগা বিশ্বজগত লীশীং–লীশীং থেংনবা অমসুং খঙবা য়াই। পোৎলম খুদিংগী মমীং লৈরমগনি, শকওং শক্তম লৈরমগনি, মপাম্বোংগী ওইবা পোৎলমশিংদুগী মরুমদা অরোনবা ৱাখল খরশু লোক্তুনা লৈবদু খঙলক্কনি। অশুম্না পোৎলমশিংগী তুংদা লৈরিবা ৱাখলশিংদু প্রতিকশিংনি। মখোয়গীসু তোঙান তোঙানবা মমীং লৈ। খুদম (সিম্বোল) ময়ামগী মমীংশিংঅদু ভক্তি যোগদা শীজিন্নৈ। মখোয়দি লোম্বা নাইদ্রবা শক্তিশিং চেল্লি। অদুগুম্বা শক্তি চেল্লবা মীংশিংদু হন্না হন্না শোল্লগা ঐখোয়না পামজবা কান্নবা মচাকশিং ফংগনি। মওং চুম্না লেপ্তুনা হোৎনরবদি ঐখোয় মপুঙ ফাবা হায়বদু ওইরক্কনি। অদুবু মতাঙসিদা নীংশিংগদৌবা ৱা অমা লৈ, মগুন লৈরবা ৱাহয়শিং নৎত্রগা মীংশিং অদু মতিকমগুন লৈরব গুরু অমদগী মাগী শিষ্য ওইবশিংদা শীন্নরক্কদৌবনি। মমাঙঙৈদগী হৌনা গুরুশিষ্যগী পরম্পরা অসি য়াম্ন মরু ওইবা চঙদবা য়াদ্রবা চৎনবী অমা ওইনা লাকখ্রবনি। When the word has been recieved in the regular way and when it has been repeated much advance has been made in Bhakti yoga. Simply by repitation of that word will come even the highest state of Bhakti.[ মওং চুম্না ৱাহৈদু ফংলবদা মদু হঞ্জিন হঞ্জিন শোল্লবদা ভক্তি যোগগী লম্বীদা য়াম্না খুমাঙ চাউশিনবা হায়বদু ওইগনি। ইচম চুম্না ৱাহৈদু লেপ্তনা শোনবতনা ভক্তিগী অৱাংবা থাকফাউ য়ৌগনি।]

লৈবাকপোকপা খুদিংগী...
সত্যম–শিবম–সুন্দরম
কে সি নন্দ

সাধু অমনা অশুম্না তত্তনা ইশৈ শকই: "নঙগী মীংলেনদি মশীং কয়ানি, মীংলেনশিংদুগী নুংদা অর্থ কয়া লোক্তুনা লৈবনি, নঙগী মপান্নাইদ্রবা শক্তি মখোয়দা য়াউরি, মখোয়বু শোন্নবগী অকক্লবা মফম–মতম লৈতেদো, করিগীনো খঙদে তোল্লবা ঐদি অমুক্তা শোনবা ঙমজদে চুম্না, করিদি ঙমগনি নঙগী থৌজাল য়াউদনা ... "

মমাঙদা ইষ্টগী মরমদা শন্নপনা ৱা খরদি হায়খ্রে। মসি খরা হেন্না নৈনবা চুমগনি। ইষ্ট হায়বা ৱাহৈসি সংস্কৃতকী ৱাহৈ ইশ হায়বা অদুদগী লৌরকপনি অর্থদি পামজবা হায়বনি। মালেমগী ধর্ম পুম্বগী আর্দশদি ইমান– মান্নবনি সংসারগী অফা–অপুন ময়ামসিদগী নীংতম্বা অমসুং অৱাবা কোকপা হায়বসিনি। হোয়, ধর্মগী ওইবা খর নেম্বা চৎনরোলশিংদদি আর্দশ অসি মওং চুম্না ফোঙদোক্তবা লৈ, অদুমকপু মমৈথঙদদি পান্দম অসিদা য়ৌরক্কনি। সংসারদা মীওইবা কাঙলুপ খুদিংনা হোৎনরিবসে হকচাংগী, ৱাখলগী অমসুং থম্মোইগী নুংঙাইতবা অফা অপুন ময়ামদুদগী নাম্বোক্তুনা নুংঙাইনা লৈবা ঙম্নবনি। পম্বুংফমদি ইমান মান্নরবসু মদু ফংনবা হোৎনবগী লম্বেলশিংদি অমগা অমগা য়াম্না খেন্নবগুম তৌই।

ৱাফম অমত্তদা কাঙলুপ কাঙলুপকী নৎত্রগা লন্নাই মীওইশিংগী তোঙান তোঙানবা মীৎয়েং লৈ। খরা পঙবা মীওইশিংনা মখোয়না থাজরিবা ৱা অদুনা পুংচুম চুল্লবনি, অতৈ অচুম্বা অমত্তা লৈফম থোক্তে হায়না খনবসু য়াউই। মখোয়সিগী কাঙলুপ অসিনদি মখোয়না থাজরিবা মওংদুদা মী অতৈনসু থাজগদৌবনি, করিগুম্বা থাজদ্রবদি মখোয়বু হাক্তোক্কদৌবনি অশুম্না য়াম্না শাথিবা মওংগী মোত পীরি, মুস্লিম খরনা তৌবগুম। খুদোংথিবনা থল্লবা মখোয়গী থৌওংদু মখোয়না পাম্না খঞ্জবা ভক্তিগী লম্বী হায়বদুনি। মী অমগা মী অমগা মান্নদে, জাতি অমগা জাতি অমগসু মান্নদে। মসিদি হৌখিবা মপোক্কী কর্মগী ফলননি। ঐখোয়গা মোত চান্নদে হায়দুনা অতোপ্পা কাঙলুপ শিংগী মথক্তা হেক্তমক হাৎপ–তুপ্পা তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসিদি তশেংনমক লাল্লি। ঐখোয়না চুম্মী খনবা ৱাফম অদুদগী হেন্না চুম্বা কয়াসু লৈ, মদু পুম্বদু ঐখোয়না ব্যবহার তৌনা চৎমীন্নগদৌবনি। ঐখোয় ঐখোয়গী পামজবা লম্বীদুদা চৎলগা অতৈ অতোপ্পা কাঙলুপ কনাবুসু হম্বনা য়েংলুদবা নৎত্রগা মখোয়দা খৎন্নবা হৌরুদবা অশুম্না পম্বুং অদুতং য়ৌনবা হোৎনরবদি মমৈথংদা পূম্নমক অচুম্বা ঙাক্তনি হায়বদু খঙলক্কনি। শম্না হায়রবদা অকোয়বা মফম অমগী ময়ায়দা পম্বুংফম ওইরিবা ঈশ্বরদু লৈরে, মায়কৈ তরাদগী মী তরানা চঙশিল্লকপদা কনানা খরা ফৈদোক্তুনা চৎলুবা য়াই কনানা খরা থুনা য়াংনা চৎলবসু য়াই অরোইবদদি ময়ামদুদা শোয়দনা য়ৌগনি।

ধর্ম হায়বসিদি, ইশানা ইশাবু তম্বীজগদৌবনি। ইপানা নৎত্রগা গুরুনা ঐগী কোক্তা মখোয়গী অপাম্বদু হেক্তা হাপচিল্লকপদু অচুম্বা ওইরোই। চুম্মী, মখোয়না ঐবু নুংশিদুনা তৌবসু ওইরমগনি, অদুবু ঐগা চানবা লম্বীদুদি মখোয়না লেপ্পা য়ারোই। মখোয়না তাকপা লম্বীদু ঐগা চানবা ওইরবদি ফরে, নৎত্রগদি ঐগী ওইবা লম্বী অমা থিজবা তাবনি। পৃথিবীসিদা ইমুঙগী, শাগৈগী, জাতিগী অশুম্না ধর্মবু কাঙলুপ কাঙলুপকী ওইনা নমহাদুনা চৎননবা হোৎরকপনা কয়া য়াম্না অকায়বা থোকখ্রবনো, মদু ইতিহাসনা সাক্ষীনি।"Fools rush in where angels fear to tread."[ স্বর্গগী লাইরেম্বীশিংনা চঙবা কিবা মফমদুদা অপঙবা মীশিংনদি হেক্তা চেনশিল্লি।] অসিগুম্বা হায়নবা অমা লৈবদো মতাংসিদা নীংশিংবা য়াই। ঐহাক্লা অখঙবা মী অমা ওইনা নৎত্রগা অহল অমা ওইনা নহা অমদা তোঙান তোঙানবা ধর্মশিংগী মরু ওইবা ৱাখল্লোন অমদি মখোয়গী চৎনরোলশিং তাকপীবা য়াই, মদুগী মনুংঙদগী নহা অদুনা মহাক্লা চানবা লম্বী অমা পুকচেল শেঙনা লৌগদৌবনি। মহাক্লা লৌরিবা লাইনীং মওংদুবুনি "ইষ্ট" হায়রিবসে। অসিগুম্বা মী অমনা মশাগী পামজবা লাইনিং ইষ্ট খনবা অসিদি মী অতৈগা করিশু মরী লৈনদে, মী অদুগা মাগী লাই অদুগা অনীদুতগী ওইবা মরীনি। যিশু খৃষ্টনা হায়রম্বদু নীংশিংবা চুমগনি "When thou prayest, enter into they closet and when thou hast shut thy door, pray to thy Father which is secret."[ নহাক্লা প্রার্থনা তৌগে হায়রবদি নঙগী অরোনবা কা অদুদা চঙঙু কা অদুগী থোঙসু লোল্লবা মতুঙদা নঙগী অরোনবা হায়জনীংবশিংদু নঙগী অপোকপা ওইরিবা (ঈশ্বরদা) হায়জৌ।]

ইষ্ট হায়বা লাইনিং লোনচৎ অদুগী মরু ওইবা ৱাফমদুনি ঐনা ময়ামদা হায়জরিবসে। মসিনা তোঙান তোঙানবা ধর্মশিংগী চঙফম থোকপা মচাক্তু মওং চুম্না উৎলি অদুগা অমগা অমগা খৎনবা খুৎথোক্লবা অসিগুম্বা পামদবা থৌওং কয়া থোকপা থিংগনি। ইষ্টগী ৱারোলসি ধর্মগী অশেংবা ৱানি অরোনবা ৱা মান্না উরবসু অরোনবা মক্তি নত্তে। তানীংবা নৎত্রগা খঙনীংবা মীদা চীংনদনা নঙনা হায়দোকপা য়াই মফম মত য়েংলগা। ইষ্টগী লাইনিং লোনচৎ অসিনা সমাজদা অরোনবা কাঙবু শেমগৎলু হায়ব নত্তে। Be strong and stand up and then seek the God of Love. This is the highest strength. What power is higher than the power of purity? Love and purity govern the World. This love of God cannot be reached by the weak; therefore be not weak, either physically mentally or spiritually... the lord alone is true, everything else untrue...[ নশা নউ কলহল্লু অদুগা লেপ খৎলু, নুংশিবনা থল্লবা ঈশ্বরদুবু থিয়ু। মদুনা খ্বাইদগী শেংলবা শক্তি হায়বদুনি। পুক্লিং হকচাং শেংবা হায়বসিদগী হেনবা করম্বা শক্তি অমা লৈ? নুংশিবা অমসুং শেংবা হায়বসিনা সংসারসে ঙাক্লিবনি। অশোনবা মীনা নুংশিবগী ঈশ্বরবু ফংবা ঙম্লোই, মরম অসিনা হকচাং পুক্লিং অমদি অধ্যাত্মিক্কী ৱাখল পূম্নমকসিদা শক্তি লৈবা হায়বদু ওইয়ু। ঈশ্বর মাতনা অচুম্বনি, অতৈ অতৈদি শেংদবা ঙাক্তনি ...।](লোইরবা)

# বুদ্ধ অমদি মহাক্কী পাউতাক –৮

## বুদ্ধগী অচুম্বা লমচৎ

**মখা চত্থরকপা ...**

তাইবং পানবনা বুদ্ধবু ইকাইকুম্নবসি অচুম্বা লমচৎ (থৌওং) ৫ খক্ননি। মদুদি ( ১) অথোইবা থবক পাঙথোকপা, (২) অথোইবা থাক্কী মীৎয়েং, (৩) মপুং ফাবা লৌশিং, (৪) অথোইবা থাক্তা ধর্ম্মগী মরমদা তাকপা ঙম্বা অমদি (৫) মহাক্কী পাউতাকশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোকহন্নবা মীয়ামবু লমজিংবা ঙম্বা অসিনি।

মসিগী মথক্তা অতোপ্পা অচুম্বা লমচৎ ৮ অমনসু বুদ্ধনা মীওইববু য়াইফ নুংঙাইনবা চৎপা ঙমহল্লি। মখোয় অদুদি (১) মহাক্কী পাউতাক অদু চৎপনা তাইবং অসিদা খুদক্কী ওইবা কান্নবা পুরকপা ঙম্বগী মঙম, (২) অফবা অমদি ফত্তবা, অচুম্বা অমদি অরানববু ৱাখৈ–ৱারোইবা ঙম্বগী মঙম (৩) অচুম্বা লম্বী তাকপীদুনা মীওইববু লৌশিংগী মঙাল ফংহন্নবা লমজিংবা ঙম্বগী মঙম (৪) মীওইবা খুদিংমকপু চপ মান্নবা লম্বী অমখক্লা লমজিংবা ঙম্বগী মঙম (৫) নাপল তৌবা অমদি চাউথোকপা হাহয়বদুদগী লাপ্পা থৈদোকপা ঙম্বগী মঙম, (৬) মহাক্লা হহায়খিবা ৱা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্বগী মঙম, (৭) মহাক্লা হায়গদবা ৱা অদু হায়বা ঙম্বগী মঙম, অমদি (৮) মহাক্কী মীনুংশিনা থল্লবা থম্মোয়না পাঙথোক্কে হায়না শরি– ৱাশকখিবশিং অদু মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্বা অসিনি।

হিরি কোনবগী পাম্বৈনা বুদ্ধনা মহাক্কী পুকচেল অদু মকা লাম্না অমদি ইংনা, কনবীবা অমদি ঙাকপীবা হায়বদুগী মঙাল থোক্লা, মীনুংশি খঙনা নুঙাইনা অমদি পূক্লিং লৈতানা থম্মী। মীপুম খুদিংমকপু মীচং মীখাই নাইদনা চপ মান্ননা য়েংই। মখোয়গী অমাংবশিংদা চনখ্রবা ৱাখলশিংবু শেংদোকপী অমদি মপুং ফবা অমত্তা ওইবা পুকচেলদা নুংঙায়বা পীনবী।

২ তাইবং অসিদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক্তা বুদ্ধ অসি মপা অমদি মমা অনীমক্লি। অঙাং পোক্লবা মতুং থা তরাত রুক্তী মপা অমদি মমা অদুনা মচা অদুদা অঙাংগী মরোল ঙাংই, খরা লৈরগা অহল অমগুম ঙাংই, অসুম খরা খরা তম্বীগনি। মালেম অসিদা লৈরিবা মমা মচাগী মরীগুম্না বুদ্ধনা অহানবদা মীওইববু শেন্নবী, মথংদা মখোয় মশানা মশাবু শেন্নজনবা থাদোকই। অহানবদা মখোয়গী অপাম্বশিং অদুগী মতুং ইন্না চৎহল্লি, অদুদগী মহাক্লা মখোয়বু ইং তপ্পা অমদি খুদোংথিনিংঙায় লৈতবা মফম অমদা থুপফম পীবী।

বুদ্ধনা মহাক্কী মরোলদা তাক্লম্বশিং অদু মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী মরোলদা অমুক লৌশিন্দুনা অমত্তা ওইনা মান্নহন্দুনা মখোয়গীদমক অখন্নবা হায়রম্বমক ওইনা লৌশিন্নৈ।

বুদ্ধগী ৱাখলনা মীওইবগী ৱাখলদগী য়াম্না হেন্ন ৱাংনা লৈ। অসি ৱাহৈনা ফোঙদোকপদা য়ৌররোই অমদি পাউতাক ৱারী ওইনা ঈঙ্গীৎ তৌরগা তাকপনসু ঙমলোয়।

তুরেল অমদা শগোল, শাবুশিংনা কুমদুনা চৎপগী অমদি ঙা, থেঙ্গুনচিংবনা চৎথোক চৎশিন তৌবগী খরা নৈখাইজরবসু তুরেল অদুদি করীসু লৈতবা খরা অদুনা মোৎহনবা ঙমদনা শেংনা অদুম্মক চেম্বখিগনি। বুদ্ধ অসি অদুগুম্বা অচৌবা তুরেলনি। অতোপ্পা ধর্ম্মগী পাউতাক কয়াগী ঙা অমদি থেঙ্গুশিংনা মহাক্কী ইরোন্নুংদা ঈরোইদুনা অমদি কান্নদবদা ঈচেল অদুগী মায়োক্তা ইনখৎনবা হোৎনৈ। বুদ্ধগী ধর্ম্মদি অদুম্মক লেপ্তুনা চেম্বগনি, শেংনা অমদি অয়েৎপা য়াউদনা।

৩। বুদ্ধগী পূক্লিং লৌশিং অসিনা মপুং ফাবা অমা ওইবনা মী অমগী মরমদা হান্না খঙদনা অমদি তাদনা ৱারেপসন্দুনা ফত্তনা খনবগী কা হেনবদগী লাপথোক্লগা ময়াই ওইরপ্পা মওংদা লৈ। পূম্নমক্তা শীংলবা মহাক্লা মীওইবনা খল্লিবা ৱাখল অমদি পূক্লিংদা ফাউরিবা খুদিংমক খঙবা ঙম্মী অমদি তাইবং অসিদা লৈরিবা খুদিংমক মীৎকুপ অমদা পূম্নমক উবা ঙম্মী।

নোংমদোন থক্তা থোকপা থৱাইমীচাক্লা মোঙ হাদবা ঈপাক্তা মমি তাবগুম মীওইবগী ৱাখল, পূক্লিং অমদি ফীভমগী মরম খুদিংমক বুদ্ধগী পূক্লিং লৌশিংগী ইরোন্নদুংদা মমী তাই। মসিনা মরম ওইদুনা বুদ্ধ অসি মপুং ফাবা পূক্লিং লৌশিংগী মঙাল ফংলবা পুম–খঙ খঙলবা অমনি।

বুদ্ধগী পূক্লিং লৌশিংনা মীওইবগী খুইথরবা ৱাখলবু নৌহৌনা তেকখৎহল্লি, মঙাল ফংহল্লি অমদি তাইবঙ অসিগী মরমদা খঙহল্লি। থবক্কী হৌরকফমগী মরম অমদি মহৈ, থোক্লকপা অমদি মাংখিবগী মরম খঙহল্লি। থাঙ্গেশেংনমক বুদ্ধগী পূক্লিং লৌশিংগী মতেং য়াউদনা মীওইবনা তাইবং অসিগী মরম মওং খঙগদবসি করিনো?

৪। বুদ্ধনা মতম পূম্নমক্তা বুদ্ধ অমা ওইনা থোক্তে। করিগুম্বা মতমদা য়াম্না ফত্তবগী শাইওন্দা থোক্লকই। করিগুম্বা মতমদা নুপী অমা ওইনা লাই অমা ওইনা, নিংথৌ অমা ওইনা, নৎত্রগা লৈপাক ৱায়েলগী মরমদা য়াম্না খঙ হৈরবা মীওই অমা ওইনা, করিগুম্বা মতমদা ওক্তবীশিংগী লৈফমদা নৎত্রগা জুৱা শান্নফমদা থোক্লকই।

লাইচৎ থোকপা মতমদা মহাক্লা অনাবা ফহনবা অমাইবা অমা ওইনা লাকই অদুগা লান থোকপা মতমদা অৱাবা তারবশিংদা খাঙবা কনবা অমদি ঙাকপীবগী পাউতাক পীবী, উরিবা পোৎশিং অসি মতম চুপ্পগীনি হায়না থাজবশিংদা মহাক্লা পোৎ খুদিংমক অরেপ্পা লৈতবা অমদি তুংকোইদবগী পাউতাক অদু পীবী, নাপল কাবা,

## সলাম ভারত ভুষন

চাউথোকচবা অমদি মশানা মহেল্লে হায়না থাগৎচবশিংদা মহাক্লা নোল্লুকপা অমদি মশা কৎথোকনবগী পাউতাক পীবী, তাইবংগী ওইবা ইন্দ্রীগী নুংঙায়বগী মীরাংদা অফা অপুন্নরবা অৱাবা তারবশিংদা মহাক্লা তাইবং অসিগী য়ৌনা ৱাবদু খঙহল্লি।

বুদ্ধগী মথৌদি তৌগদবা থবক মওং, হিরম পূম্নমক্তা ধর্ম্মা কায়া (বুদ্ধগী মপুং ফাবা ময়াই মতৌ) অদুগী অশেংবা মচং অদু চংদুনা তুংবনি। মরম অদুনা বুদ্ধগী ঙাকপী কনবীবা হৈবা অমদি মীনুংশিংনা ধর্ম্মা –কায়া অসিদগী লোইবা খন্বা নাইদবা পুন্সি অমদি মপান নাইদবা মঙাল চেম্বোরক্তুনা তাইবং মীওইবা খুদিংমকপু লানবী।

৫। তাইবং অসি মতম চুপ্পদা মৈনা চাক্তুনা মাং তাক্লবা অমুক শেমগৎপা অমুক কায়বা তৌদুনা লৈবা য়ুমগুম্বনি। মীওইবনা খঙদবা হায়বদুনা মতম ওইদুনা অমমবদা মফম মরাং খঙদনা অশাওবা, পেন্দবা, কল্লক মীহৌবা, লান্না লৌবা অমদি তাইবংগী ময়াই কয়দা ৱাখল পূক্লিং চোই। মখোয় অসি অমা অমনা য়েংবীগদবা অপীকবা অঙাংগুম্বনি, মীওইবা খুদিংমক বুদ্ধগী ঙাকপী কনবীবা হায়বদুদা তাংজনা লৈগদবনি।

বুদ্ধ অসি মালেম অপুনবদা মপানি। তাইবং মীওইবা খুদিংমক বুদ্ধগী মচা ঙাক্তনি। বুদ্ধ অসি য়াম্না শেংবা লংজবা লৈতবশিংগী মরক্তা অথোইবনি। মল্লবা নিংখাইরবা অমদি অশিবনা মৈৱাইরবা তাইবংনি। মফম খুদিংমক্তা অৱা অনা অনা ঙাক্তনি। অদুবু হায়রিবশিং অসি মীওইবনা তাইবংগী নুংঙায়বা ময়াইতবু কান্নদবদা অসুম থীবদা পূক্লিং লুপখিবনা উবা ঙমবগী লৌশিং লৈতে।

**মথং লৈবাকপোকপদা...**